# টাইৱান খোঙচৎ মনুংদা য়ুএস হাওস স্পিকর নেন্সি পেলোসিদা টিবেটকী ইস্যু পুখৎখ্রে



ৱাশিংতন, ওগষ্ট ৫ (এজেন্সী): চয়োল অসিদা টাইৱানদা খোঙচৎ অমা পাঙথোকখিবা য়ুএস হাওসকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা লুচিংবা দিমোক্রেটিক লো মেকর মঙাগী দেলিগেসন অদুনা ঈথৎ অদুগী নেসনেল ম্যুজিয়ম ওফ হ্যুমেন রাইটসতা ওফিস ওফ টিবেটকী রিপ্রজেন্টেটিব কেলসাং গেলসিয়েন য়াওনা হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট তরেৎ উন্নখি হায়না সেন্ট্রেল টিবেটান এদমিনিষ্ট্রেসন (সিটিএ) না ফোঙদোরক্লি।

অমেরিকন লো মেক্কৰশিংগী দেলিগেসন অদুগা উন্নবদা ওফিস ওফ টিবেটকী রিপ্রজেন্টেটিব অসিনা টিবেট অসি হৌজিক অচৌবা জেল অমা ওইরক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

প্রো-দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্ট ৱেয়র কাইসি, চাইনানা তাথি তাওইনা তৌদুনা লাক্লবা টাইওনিষ্ট হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্ট লি নিং জে অমসুং হোং কোংগী কোসৰে বুক ষ্টোরগী লিন রোংজি য়াওনা হ্যুমেন রাইটস এক্তিভিষ্টশিং অদুনা দিমোক্রেসি অমসুং হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা পুং ১ রোম চুপ্পা রাউন্দ টেবল দিস্কসনদা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা পেলোসিনা টাইৱানিষ্ট মচাশিংবু চাইনিজ দিক্টেটরশিপকী মরমদা খঙনবা অমদি টাইৱানগী দিমোক্রেসিবু চাইনাগী অকন অরিং শিংবগী থৌওংদগী কন্ননবা তিল্লিবা হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরশিং অদুদা আপিল তৌখি।

রিপ্রজেন্টেটিব গেলসিয়ননা পেলোসিনা টিবেটতা হৌজিক লৈরিবা লেপ্তুনা ফিভম শোকচিল্লক্লিবা হ্যুমেন রাইটসকী মতাংদা পাউদম অমা পীবগা লোয়ননা চাইনিস কম্যুনিষ্ট পার্টি (সিসিপি) না টিবেটতা চাইনানা শাথিরবা মওংগী ইথনিক, রিলিজস অমসুং কলচরেল জেনোসাইদ চত্থরিবদুগী মতাংদা য়ুএস হাওস স্পিকরগী মীৎয়েং চিংশিনখি হায়না সিটিএনা ফোঙদোরক্লি।

টিবেটান অঙাংশিংবু মখোয়গী মমা মপাশিংদগী লাপথোক্লগা বোর্দিং স্কুলশিংদা নমদুনা মহৈ মশিং তমহন্নবগীদমক্তা চাইনিস ওথোরিটিশিংবা বোর্দিং স্কুলশিং কৌবা টেক্নিক অমসু সিসিপিনা শীজিন্নরি হায়বা ৱাফমসু মহাক্না য়ুএসকী দেলিগেসন অদুদা খঙহনখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না চাইনিস ওথোরিটিশিংনা অসুম্না টিবেটান অঙাংশিংবু বোর্দিং স্কুলশিংদা নমদুনা মহৈ তমহনবা অসিনা টিবেটান কলচর অমসুং রিলিজন অসি চাইনিস সিষ্টেম অমসুং কলচরনা লাকহৎপা য়ানবগী লন্মী ফাৎলি।

মহাক্না লাক্লিবা ওক্তোবরদা পাঙথোক্কদৌরিবা গ্লোবেল দিমোক্রেসিগী মীটিংগী জোইন্ট ওর্গনাইজরশিংদা দলাই লামাবু কনফরেন্স অদুদা ইনভাইট তৌনবা তকশিল্লদুনা মদুনা সিসিপিদা টিবেটপু মালেম পুম্নবা শৌগৎলি হায়বগী ময়েক শেংলবা অমদি অকনবা মেসেজ অমা পীরগনি হায়খি।

হৌজিক মালেম পুম্বা অসি য়ুক্রেনগী ক্রাইসিসতা লুপ্লদুনা লৈখ্রবসু লিশাং শিংনা টিবেটতা চত্থরক্লিবা জেনোসাইদ অসি মালেম পুম্বনা কাউরোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ইটালিনা ইনফ্লেসন অমসুং ঈকং থেংননবা য়ুরো বিলিয়ন ১৭ কী এইদ পেকেজ লাউথোকখ্রে



রোম, ওগষ্ট ৫ (এজেন্সী): ইটালিগী প্রাইম মিনিষ্টর মারিয়ো দ্রাগিনা লেপ্তুনা হেনগৎলক্লিবা ইনফ্লেসন অমসুং ঈকং থেংননবা য়ুরো বিলিয়ন১৭ রোমগী ওইগদবা এইদ পেকেজ অমা লাউথোকখ্রে।

ক্যের টেক্কর গভর্ণমেন্ট অমগী মকোক ওইরিবা দ্রাগিনা পেকেজ অদু লাউথোক্লদুনা হায়খি, মদুদি জুলাই ২১ দা হান্না ওফিসল ওইনা রিজাইন তৌরবা মতুংদা শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মহাক্কী অহানবা প্রেস ব্রিফিংদা খ্বাইদগী নৌবা এইদ পেকেজ অদু কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর্সনা এপ্রুভ তৌখ্রে।

সেপ্টেম্বর ২৫ দা জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্লবা মতুংদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেমদ্রিবা ফাওবগী ওইনা দ্রাগিনা ক্যের টেক্করগী রোলদা গভর্ণমেন্টগী হেদ ওইনা লৈগদৌরিবনি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইটালিনা য়ুরো বিলিয়ন ৩৫ কী ইকনোমিক এসিষ্টেন্ট এপ্রুভ তৌখি। অসুম্না থেংখাং অনীগী পেকেজশিং পুল্লগা লৈবাক অদুগী ইনফ্লেসন অমদি ঈকং য়াওনা প্রোব্লেম কয়া থেংননবগীদমক মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা লাউথোক্লিবা এসিষ্টেন্টসকী শেনফম অসি ইটালিগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্টকী চাদা ২ দগী হেল্লে হায়না ক্যের টেক্কর প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা দিক্রি অদু থোইদোক হেন্দোকপা মওংগী ৱারেপ অমনি। মহাক্কী পান্দমদি মথংগী গভর্ণমেন্টবু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী কোরোনা ভাইরস পেন্দামিক্কী লোন অমসুং গ্রান্টকী শেনফমশিং য়ুরো বিলিয়ন ২০০ হেলহনবগা মরী লৈনবা টার্গেট পুম্নমক মায় পাক্লা এচিব তৌহনবা অসিনি।

দ্রাগিগী মতুং ইন্না অনৌবা পেকেজ অদুনা ফাইনান্স তৌরিবা থৌরাংশিংদুগী মনুংদা ফ্যএলগী মমলগা মরী লৈননা বিল্ডিং হেন্না চাওথোকহনবা, পেন্সনশিং রি-ইভালুএসন তৌবা অমসুং টেক্স হন্থহনবনচিংবা য়াওরি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়, লৈবাক অদুনা মায়োক্নরক্লিবা ঈকংগী মায়োক্তা লৌমীশিংবু মতেং পাঙনবগী থৌরাংশিং অসিদি টার্গেটেদ লোকেল অমসুং রিজনেল ইনিসিএটিবশিং ফন্দিং সপোর্ট পীবা লোয়ননা মশানা থবক পীজবা ৱার্করশিংগী য়ুরো ২০০ কী বোনস য়াওরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# টর্কিজ প্রসিদেন্ট ইর্দোগান অমসুং রসিয়ন প্রসিদেন্ট পুটিন সোচিদা ৱারী শান্নরগনি



অঙ্করা, ওগষ্ট ৫ (এজেন্সী): টর্কিকী প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগান অমসুং রসিয়াগী মহাক্কী লেঙমান্নবা ব্লাদিমির পুটিন ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা সমুদ্র মপানদা লৈবা রসিয়াগী রিজোর্ট সোচিদা ৱারী শান্নরগনি।

অঙ্করাগী ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর (টি আর টি) না পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, লুচিংবা অনীনা উন্নবা অদুদা খন্নগদৌরিবা রিজনেল ইস্যুশিংগী মতাংদা টর্কিনা নোর্দন সিরিয়াদা ওপরেট তৌরিবা কুর্দিষ্ট মিলিসিয়া অমগী মায়োক্তা এটেক চত্থনবা থৌরাং তৌরিবা মিলিটরি কেম্পেইনগী ৱাফম য়াওরি। মোস্কোনা হন্দক্তা অসিগুম্বা ওফেন্সিব চত্থদনবা অঙ্করাদা পাউতাক পীখ্রবনি। য়ুএসনা শৌগৎপা সিরিয়ন কুর্দিষ্ট মিলিসিয়া, পিপলস দিফেন্স য়ুনিট (ৱাইপিজি) বু অঙ্করানা টেররিষ্ট গ্রুপনি হায়না খনবগা লোয়ননা গ্রুপ অসি দোমেষ্টিক ইন্সর্জেন্টশিংগা মরী লৈনৈ হায়না চিংনিরবনি।

য়ুএস অমসুং রসিয়ানা ৱাতেমদুনা সিজ ফায়র দিল অনী পুরকখিবা কুমজা ২০১৯ দগী সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা টর্কিজ ফোর্সশিংনা এটেক তৌবা লেপ্তুনা লাকখি। লুচিংবা অনীনা য়ুক্রেনদা শোক্লিরিবা লান অমসুং হৱাই চেঙৱাইগী কোরিদোর দিল অমগী মতাংদসু খন্নগনি হায়রি।

হন্দক্তা টর্কি অমসুং য়ুএননা ৱাতেমদুনা কিভ অমসুং মোস্কোগী মরক্তা য়ুক্রেনগী হিথাংফম অহুমদগী হৱাই চেঙৱাইশিং এক্সপোর্ট মখা চত্থনবগী দিল অমা পুরকখিবনি।

ক্রেমলিনগী মতুং ইন্না এজেন্দা অদুদা নাটোগী মেম্বর অমা ওইরিবা টর্কিনা মী তোংদবা কম্বেট দ্রোনশিং রসিয়াদা য়োনবা য়াবগী ৱাফম য়াওরি। রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাদুনা হৌজিক শোক্নরিবা লান অসি হৌখিবা মতুং মতম ইশাং শাংনা কান্নদনা প্রসিদেন্ট ইর্দোগান্না রসিয়াগা টর্কিগগী মরক্তা খুৎলায়গী দিলশিং পুরক্লোই হায়বগী ৱাফম লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

টর্কিনা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়া অনীমক্কা অচেৎপা মরী থম্নবগা লোয়ননা লৈবাক অসি য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনীগী মরক্তা মেদিএটর অমনি হায়না খঙ্গরিবনি।

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD

MBBS in BANGLADESH

DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR, SYLHET, & RAJSHAHI

MBBS in INDIA, KYRGYZSTAN, RUSSIA, KAZAKH & PHILIPPINES

We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY

1st PAYMENT 5 LAKH TOTAL PACKAGE 20L

REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR

HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY

B.Sc./M.Sc. Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM, → at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI

BDS in INDIA (no donation) Top Colleges Recognised by DCI

BAMS (AYURVEDIC) BHMS (HOMEOPATHIC) (FULL PACKAGE STARTS FROM 6 LACS)

Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)

LUWANG EDUCATIONAL TRUST

Palace Compound Near Govindajee Temple, Imphal East

7005683347 9856167106

THOUBAL BRANCH ADDRESS : Thoubal Wangmataba Sorok Makha Near Manisang Primary School 9089049622

HL-B/7695/19/6-16/8 Alt

MANIPUR INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES HOSPITAL ( MIMSH )

D-CACUS-EDUCATION CENTRE,

H.Q. NINGTHOUKHONG KHA LEIKAI, DCEC COMPLEX, BISHNUPUR DISTRICT, MANIPUR-795126.

NOTIFICATION

Ningthoukhong, the 4th August,2022

NO.02/DCEC/HOSPITAL/EMPLOYMENT-2022/001

Application on prescribed form obtainable from the Joint Director ( Admin ), DCEC on payment of Rs.500/- ( Five Hundred ) only in person or by post by sending Indian Postal Order are invited for the following Posts by 16/08/ 2022 and date of Interview is 18/08/2022.

| Sl. No | Name of Post | No. of Post | Essential Qualification | Salary Per Month |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Principal | 1 | B.Sc /M.Sc Nursing with Experience | Rs. 35,000 |
| 2 | Medical Superintendent | 1 | MBBS/PG specialization | Rs. 45,000 |
| 3 | Director | 2 | B.A/ B.Sc/M.A/M.Sc with knowledge of English & Computer | Rs. 25,000 |
| 4 | Senior Administrative Officer | 2 | B.A/ B.Sc/M.A/M.Sc/MBA with knowledge of English & Computer | Rs. 23,000 |
| 5 | Junior Administrative Officer | 3 | 12th/B.A/ B.Sc /MBA/BBA with knowledge of English & Computer | Rs. 18,000 |
| 6 | Nurses | 35 | ANM/GNM/B.Sc./M.Sc. | Rs. 15,000- Rs. 20,000 |
| 7 | Doctors / Emergency Medical Officer | 10 | MBBS/PG Specialization | Rs. 42,000 |
| 8 | Accountants | 10 | B.A/B.Com/M.Com/M.A with knowledge of Computer | Rs. 17,000 |
| 9 | Librarian | 2 | 12th/B.A/ B.Sc / M A/ M. Sc. with knowledge of English & Computer | Rs. 12,000 |
| 10 | Laboratory Assistant | 20 | 12th/B.A/ B.Sc / M A/ M. Sc. with knowledge of English & Computer | Rs. 15,000 |
| 11 | Peon/Sweeper/Helper/ Cleaner/ Gardener/ Store Keeper/ Laundry | 28 | VIII / X | Rs. 6,000- Rs. 7,500 |
| 12 | Record Keeping Officer | 6 | X/XII | Rs. 7,500 |
| 13 | Refrigerator Mechanical | 2 | Diploma Holder | Rs. 12,000 |
| 14 | Sanitary Inspector | 4 | Certificate Holder/ Experience | Rs. 10,000 |
| 15 | Health Educator/Social workers | 8 | MSW/BSW/UG/PG | Rs. 10,000 |
| 16 | Physiotherapy /Occupational Therapy | 8 | Experience/ Certificate Holder | Rs. 15,000 |
| 17 | Dieticians | 2 | Certificate Holder | RS. 15,000 |
| 18 | Pharmacist/ Chemist | 6 | D Pharm/ B Pharm/ Certificate Holder | Rs. 14,000 |
| 19 | X-ray, ECG, OT & Lab Technician | 8 | Degree/Diploma/ Certificate Holder | Rs. 15,000 |
| 20 | Ultra sonographer | 2 | Certificate Holder with Experience | Rs. 20,000 |
| 21 | Senior/ Assistant PRO | 2 | 12th/B.A/ B.Sc / M A/ M. Sc. with knowledge of English & Computer | Rs. 15,000 |
| 22 | Receptionist / Telephone operator | 8 | 12th/B.A/ B.Sc / M A/ M. Sc. with knowledge of English & Computer | Rs. 10,000 |
| 23 | Electrician | 2 | Degree/ Diploma / Certificate Holder with Experience | Rs. 10,000 |
| 24 | Ambulance Driver/ Driver | 8 | Experience | Rs. 8,000 |
| 25 | Computer Operator | 3 | 12th/B.A/ B.Sc / M A/ M. Sc. with knowledge of Computer | Rs. 15,000 |
| 26 | Security Male/Female | 12 | Xth /12th/B.A/ B.Sc.. with experience | Rs. 8,000 |
| 27 | Ward Boys / Volunteers | 27 | Xth /12th/B.A/ B.Sc. | Rs. 7,500 |

GENERAL

1. Application complete in all respects, supported by the documents including photocopy of Mark Sheets and Certificates of all public Examinations passed commencing from form High School should reach to the Joint Director (Admin.) of the Centre.
2. Incomplete application will not be entertained.
3. Candidates are called for interview strictly according to the Merit and Selection is done by the duly constituted Selection Committee of the DCEC
4. Candidates employed in Govt./PSU/Autonomous Bodies must apply through proper channel or produce "No objection Certificate" at the time of Interview.
5. SC/ST/OBC Candidates must attach attested Photo state copy of caste certificate issued by the competent Authority.
6. Number of Seats/Posts likely to change as per requirement at the time of interview.
7. Last date for receipt of applications is 16/08/2022
8. Selection of candidate will be done through Interview.
9. Qualification and age (not less than 18yrs) can be relaxed for candidates otherwise found suitable.

Sd/-
Joint Director ( Admin )
DCEC, Manipur

HL-P/3598/6

# অহানবা ওইনা চাইনানা টাইৱানগী নোংথক লান্না মিসাইল কয়া কাপখ্রে, জপানগা নক্লনা মিসাইল তাশিনখ্রে



বৈজিং/টাইপৈ, ওগষ্ট ৫ (এজেন্সী): অহানবা ওইনা টাইৱানগী নোংথক লান্না মিসাইল কয়া কাপখ্রে হায়না চাইনানা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লমদম অদুদা উংখৎনবা হেনগৎহনখ্রে।

য়ুএস হাওস স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা জপানদা থুংলিঙৈ মরক্তা চাইনানা মিসাইলশিং অদু কাপখিবনি। প্রোজেক্টাইল মঙা জপানিস ঈথৎশিংগী মনাক্তা তাশিল্লকপদগী জপানিস লুচিংবশিংনা বৈজিংদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না পেলোসিনা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর ফুমিও কিসিদাগা উন্নখি অমসুং মখোয়না য়ুএস স্পিকর অসিগী ঈথৎ অদুগী খোঙচৎ অদুগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌদনা চাইনানা এয়র অমসুং সী দ্রিলশিং পাঙথোক্লিবা টাইৱান ষ্ট্রেটতা মীৎয়েং থমদুনা খন্নখি।

চাইনানা মমাঙদসু মরু ওইনা কুমজা ১৯৯০ গী চহী পরিং অদুদা থোকখিবা টাইৱান ষ্ট্রেট ক্রাইসিস মনুংদা ঈথৎ অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিংদা মিসাইল কয়া কাপশিনবা লৈখ্রবনি। মমাঙদা অমুক্তা কন্ট্রোল তৌখিবা লৈত্রবসু চাইনিস কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মসিগী টেরিটরিনি হায়রিবা মীওই মিলিয়ন ২৪ গী দিমোক্রেটিক ঈথৎ অসিবু থেঙখাং কয়াদা চাইনিস লিদরশিংনা মেনলেন্দদগী তোখায়না তানবা হোৎনরিবা তঙাই ফদ্রবদি ফোর্স শীজিন্নদুনা তিলহনবা মথৌ তাবা লমহেনবা টেরিটরি অমনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লাক্লিবনি।

তৌইগুম্বসুং মিসাইল কয়া ঈথৎ অদুগী নোংথক লান্না পাইহল্লিবা অদুনা লমদম অদুদা উংখৎনবা হেনগৎহনখি।

মখা তানা মিসাইল কয়া টাইৱানগী নোংথক লান্না কাপ্লকপা য়াই হায়না য়ুএস ওফিসলশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে। শগোলশেল নুমিত্তা য়ুএস নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী স্পোক্স পার্সন অমা ওইরিবা জোন ক্রিবিনা হ্বাইট হাওসতা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি চাইনানা অসিগুম্বা খোঙথাংশিং লৌখৎলকপা য়াই হায়বসি ঐখোয়না হান্নদগী চিংনদুনা লাকপা ৱাফমনি। তশেংনমক নোংমা নীনিগী মমাঙদা চাইনানা ঈথৎ অসিগী মায়োক্তা চত্থরক্কদবা থৌওংশিংগী অকুপ্পাশিং ঐহাক্না ৱারী পনখ্রবনি হায়খি। ফিভম অদু মোনিটর তৌনবা য়ুএস এয়র ক্রাফট করিয়র অমা মখা তানা নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা টাইৱানগা নক্লনা লৈগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ওষ্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেলস ষ্টেটতা মঙ্কিপোক্স ভেক্সিনেসন হৌরগনি



সিদনি, ওগষ্ট ৫ (এজেন্সী): মঙ্কিপোক্সকী কেস মশিং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়াগী ন্যু সাউথ ৱেলস (এন এস দল্লিয়ু) ষ্টেটকী হেল্থ ওফিসলশিংনা ওগষ্ট ৮ দগী লৈবাক অসিগী অহানবা মঙ্কিপোক্স ভেক্সিনেসন হৌরগনি। ইরাই নুমিৎ ফাওবদা ওষ্ট্রেলিয়াদা মঙ্কিপোক্সকী কেস ৫৮ কনফার্ম তৌখি। মীওই ৫৬ তি ভাইরস অসি অতৈ লৈবাকশিংদগী পল্লকখিবনি। কেসশিংদুগী মনুংদা পুন্না কেস ৩৩ এন এস দল্লিয়ুদা রিপোর্ট তৌখি হায়রি।

মঙ্কিপোক্সকা মরী লৈননা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা এন এস দল্লিয়ুগী চীফ হেল্থ ওফিসার কেরিচান্দনা হায়খি, মদুদি বাই সেক্সুয়েল অমসুং গে নুপাশিং, সেক্স ৱার্করশিং অমদি ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইরবশিংগুম্বা রিস্ক ৱাংবা গ্রুপশিংগী মীওইশিংনা অহানবা দোজ ৫৫০০ কাপকদৌরিবা অসিগী খুদোংচাবা লৌহৌবা য়াই। ভেক্সিন দোজশিং অদু মথংগী নুমিৎ খরনি অসিদা ওষ্ট্রেলিয়াদা থুংলগদৌরিবা দোজ ২২,০০০ গী মনুং চল্লি। মসিগী মতুং মথংগী থাদা এন এস দল্লিয়ুদা অতোপ্পা দোজ ৩০,০০০ থারক্কনি হায়রি।

ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা স্মোল পোক্স ভেক্সিনদা য়ুম্ফম ওইবা দোজ ৪,৫০,০০০ থাবীরক্নবা দেনিস ফার্মাস্যুটিকেল কম্পেনি বাবেরিয়ন নোর্দিক্তা হায়জখ্রবনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী হেল্থ মিনিষ্টর মার্ক বগলরগী মতুং ইন্না ভেক্সিন সপ্লাইগী অৱাবা লৈরবা মতম অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ানা লায়না অসিগা মরী লৈননা থুনা রেস্পোন্দ তৌদুনা মীয়াম্বু ভেক্সিন কাপথোক্নবা হোৎনরক্লি।

# থাইলেন্দদা নাইট ক্লব মৈ চাকপদা মীওই ১৩ শিরে, ৪০ শোক্লে

বেঙ্কোক, ওগষ্ট ৫ (এজেন্সী): ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা থাইলেন্দগী নাইট ক্লব অমা মৈ চাক্লকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিখ্রে অমসুং অতৈ ৩০ রোম অশোক অপন নঙলে হায়না রেস্ক্যু সার্ভিসেসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

রেস্ক্যু ওফিসল অদুনা হায়, ইরাই নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাইগী মতমদা কেপিটেল বেঙ্কোক্কী খারোমদা কিমি ১৫০ রোম লাপ্না সাতা হিপ দিষ্ট্রিক্তা লৈবা মাউন্টেন্ট বি নাইট স্পোট কৌবা নাইট ক্লব অমা কন্না মৈ চাক্লকখি। রেস্ক্যু সার্ভিসনা থাগৎপা ভিদিও ফুটেজতা মীপায়রবা মীওই কয়ানা কপ লাউদুনা নাইট ক্লব অদুদগী চেন্থোরকপগী শক্তম উবা ফঙখি। বেকগ্রাউন্দদা কন্না মৈ চাক্লিঙৈ মরক্তুদা চেন্থোক্নরক্লিবা মীওই কয়াগী ফিজোলশিংসু মৈ চাকপা উখি। মৈ চাকপা অদু ক্লব অদুগী ৱালশিংদা য়াওবা মৈ চাক্নবা একোষ্টিক ফোর্মনা মরম ওইদুনা হেন্না কন্না অমদি থুনা চাকখৎলকখি অমসুং ফায়র ফাইটরশিংনা মদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুং ৩ হেন্না চঙখি।

T.M.D. BRICK FARM

Address: Opp. Khongjom Police Station NH-39, Thoubal District, Manipur

| Sl. No. | Brick Class | Rate per 1 Brick |
|---|---|---|
| 1. | 1st Class | Rs. 15.00/- |
| 2. | 2nd Class | Rs. 14.00/- |
| 3. | 1st Reject | Rs. 13.00/- |
| 4. | Petti | Rs. 13.00/- |
| 5. | Jhamat | Rs. 10.00/- |
| 6. | 3rd Class | Rs. 8.50/- |
| 7. | Broken brick (Chektek) 1 (407 Truck) | Rs. 6000/- |

DELIVERY TRANSPORTATION CHARGES

| KM (Distance) | No. of Bricks | Rate |
|---|---|---|
| 30km | 2000 | 2800/- |
| 15km | 2000 | 2000/- |
| 10km | 2000 | 1500/- |
| 30km | 1500 | 2300/- |
| 15km | 1500 | 1700/- |
| 10km | 1500 | 1200/- |

Labour Charges: 2000 Brick, Rs. 800/- 1500 Brick Rs. 600/-

First Come First Serve

Contact No. 8119002731/7005658426

HL-P/3304/10,12,14,16,18,20,27,29,31 (July) 2,4,6,8,10,12 (Aug) Alt Days

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, KAKCHING DISTRICT

ꯈꯣꯡꯎꯞ / NOTICE FOR OBJECTION

Kakching, the 4th August, 2022

**No. Pro/SR/Kak/2021-22:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from L. Jibankumar Singh, members of the **"Pole Star College Alumni Association"** Hiyanglam Wabagai, Kakching District, Manipur on 2/8/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules 2004 within the area of operation of **Hiyanglam Wabagai,** Kakching District Manipur.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or Secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/registration of proposed **"Pole Star College Alumni Association"** within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed **"Pole Star College Alumni Association"** Hiyanglam-Wabagai, Kakching District may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act 1989 and Rule 6 of MSR Rules 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **K. Dilipkumar Singh**
Deputy Registrar of Societies,
Kakching District.

HL-P/3596/6,7,8

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF VETY. & A.H. SERVICES

CIRCULAR

Imphal, the 5th August, 2022

**No. VFA/TRG/2022-Vety:** In pursuance of letter No. ADMV-2018/1/2021-Vety-VETY & A.H-Part (1) dt. 5th August, 2022 of Secretariat: Vety. & A.H. Department, Government of Manipur, the merit list of the Entrance test conducted on 17th July, 2022 for selection of candidates for undergoing 1 (one) year Veterinary Field Assistant Training Course for the academic session, 2022-23 is hereby declared. Detailed information in this regard can be had from the Notice Board of the Directorate.

**Sd/- Ng. Ibotombi Singh**
**Director,**
**Vety. & A.H. Services, Manipur**

HL-P/3602/6,7